# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)






Vol. 49, Issue No. 199 | শগোলশেন, হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, October 23, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### মীওই লিশীং ২০ হেনবনা টি ঐচ মুইভাবু তরাম্না ওকখ্রে

# ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টগী মখাদা নত্তনা অতোপ্পা হীরম অমত্তদা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই : টি ঐচ মুইভা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** চহী ৫০ হেল্লক্লবা মতুংদা নেশনল সোশলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম (এন এস সী এন-আই এম)গী লুচিংবা থুইঙালেং মুইভা ঙসি মণিপুরদা লাক্তুনা মহাক্কী পোক্নফম লমদম ওইরিবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সোমদালদা থুংলখ্রে।

মশাগী চহী ৯৩ শুরবা নাগা লুচিংবা অসি ঙসি দিমাপুরদগী হেলিকোপ্টরনা উখ্রুলগী হুংপুংদা লৈবা বাক্সি গ্রাউন্দদা অহানবা ওইনা থুংলখি। মফম অদুদগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা তাঙ্খুল নাগালোং (টি এন এল) গী গ্রাউন্দদা মীনা চিক্ল-চাইনবা ঙমদনা তিন্দুনা পাঙথোকপা মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মীয়াম অদুনা মহাক্কী পূন্সি নুংশাংনবা শেন্বীরকপা মপুদা থৌনিখি।



বাক্সি গ্রাউন্দদগী টি এন এল গ্রাউন্দ তম্না চৎপগী লম্বীদা নহা অহল, মহৈরোয়, নুপী অঙাংশিংনা লম্বীগী মতাইদা লেপ্পুনা মহাকপু তরাম্না ওকখি। মফম অদুদগী থোরকপদসু তাঙ্খুলগী নাৎকী ফিজেৎ লৈতেং শেৎলবা নুপা নুপী কয়ানা মহাক্না টি এন এল গ্রাউন্দ তম্না লাকমিন্নখি। মফম অদুদা লালহৌলূপ অসিগী লুচিংবা কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরমদা নাগাগী সী এস ওশিং, মহৈরোয় অমদি ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### পুমথু-থুদেকখ্রবা মণিপুর রাজবারিগী মতাংদা কন্সলটেটিভ মীটিং পাঙথোকখ্রে

# এক্সপর্টশিংনা আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া ১সুং য়ুনেস্কোগী গাইদলাইন মতুংইন্না হঞ্জিলহল্লু হায়খ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৮গী য়াচংলকপা মমাঙদা পুমথু-থুদেকখ্রবা মণিপুরগী অহিংবা পুৱারীশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরক্লিবা শিলোংগী মণিপুর রাজবারিগী মতাংদা কন্সলটেটিভ মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখিবদা শরুক য়াখিবা এক্সপর্টশিংনা মণিপুর রাজবারিগী শক্তমবু আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া (এ এস আই) অমসুং য়ুনেস্কোগী ইথিক্স অমদি গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না নৎত্রগনা 'এনাষ্টাইলোজিস'গী মতুংইন্না হঞ্জিলহল্লু হায়না ফোঙদোক্লখ্রে।

মণিপুর রাজবারিগী কন্সলটেটিভ মীটিং অসি ঙসি সিটি কনভেন্সন সেন্টরগী মিনি কনফরেন্স হোলদা মাহুদ অমসুং আই পি আরগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবনি। মীফম অসিনা রাজবারি অসিবু পুমথু-থুদেকখিবা অমসুং অমুক হন্না শেমগৎ-শাগৎপগী মতাংদা কৃপ্না খন্নখি।



মতাংসিদা পনবা য়াবদি, রাজবারি অসি থা অসিগী ৮দা উফুল তানা থুদেকখ্রবা মতুং থা অসিগী ১৩দা মণিপুর লৈঙাক্লা রাজবারি অসিগী রিকন্সত্রক্সন অমসুং রেষ্টোরেশনগীদমক মোনিটরিং অমদি সুপরভিজন কম্মিটি অমা শেমখিবনি। কম্মিটি অসিনা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা খৃৎশম্নদুনা মখা চত্থরক্কদবা থবকশিংবু মোনিটরিং অমসুং সুপরভিজন তৌবগী থৌদাং লৌগনি অদুগা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং চঙগনি অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ২



*ঙসি হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা 'নিঙোল চাক্কৌবা' দা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপ পূন্নমক্কী নিঙোলশিংদা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সকী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীজরি।*

# মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিসেস ফেদরেশননা খোঙজং পরেং চঙশিল্লগনি হায়না চীফ সেক্রেটরিদা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীজ ফেদরেশনদা এফিলিএট তৌরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্ট সর্ভিসেস ফেদরেশন (এম জি এস এফ) গী মায়কৈদগী ফেদরেশন অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিং অমসুং পেন্সনরশিংগীদমক থেঙ্খাং কয়ারক্তা তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিং খন্ননবগীদমক কয়ারক হন্না এপোইন্টমেন্ট পীবিদুনা খন্নবীনবা হায়জবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থৌশারক্তবদগী ফেদরেশন অসিনা মখল কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না চীফ সেক্রেটরিদা 'ষ্ট্রাইক নোটিস' পীশিনখ্রে।

**ওক্টোবর ২৭তগী ৩০ ফাওবা ব্লেক বেদজ থেৎকনি, নবেম্বর ৪দা মাস পেন দাউন ষ্ট্রাইক চত্থগনি অদুগা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলনা লেপ্পগী মতুংইন্না ইন্দিফিনিট সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চঙশিনগনি**

ঙসি ফেদরেশন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এস প্রবিনকুমার মৈতৈনা খৃৎয়েক পীদুনা চীফ সেক্রেটরিদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা ফেদরেশন অসিগী মায়কৈদগী থা অসিগী ২৭তগী হৌরগা মথং থাগী ৩০ ফাওবা ব্লেক বেদজ থেৎলগনি, মথং থাগী ৪দনা মাস পেন দাউনগী ষ্ট্রাইক্কী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মণিপুর, কেরলা ১সুং ত্রিপুরাগী পাউমী ৩দা চত্থখিবা এটেক

# নেশনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিশননা সুও মোটু কোগনিজেন্স লৌরগা রিপোর্ট কৌখ্রে

**ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সী) :** মণিপুর, কেরলা অমসুং ত্রিপুরাগী পাউমী অহুমদা চত্থখিবা তোঙান তোঙানবা এটেকশিংগী থৌদোকশিংগী মতাংদা নেশনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিশন (এন ঐচ আর সী) না সুও মোটু কোগনিজেন্স লৌরগা ষ্টেট অহুম্মক্কী দি জি পিশিংদা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা মরীক চুম্বা রিপোর্টশিং চয়োল অনীগী মনুংদা পীরক্নবা দিরেক্সন পীখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, পাউমীশিংদা চত্থবা এটেকশিং অসি মণিপুর অমসুং কেরলাগী ওইনা ওগষ্ট ৩০, ২০২৫দা থোকখিবনি অদুগা ত্রিপুরাগীনা মমাঙ থাগী ২১দা থোকখিবনি হায়রি।

থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা মীদিয়াশিংনা তৌরকপা রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরদুনা কম্মিশননা সুও মোটু কোগনিজেন্স লৌবনি হায়রি।

কেস অহুম্মক কম্মিশননা লৌখৎপগা লোয়ননা ষ্টেট অহুম অসিগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) শিংদা থৌদোকশিং অসিগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট চয়োল অনীগী মনুংদা পীখৎলক্নবা খঙহনখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ত্রিপুরাগী থৌদোক অসিনা পোলিটিকেল পার্টি অমনা ৱেষ্ট ত্রিপুরাগী হেজামারা এরিয়াদা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামদা ফিরোলশিং য়েন্থোকপা থৌরমগী পাউ লৌবা চৎলুবা পাউমী অমবু লমহেন তুহেনবশিংনা চৈ অমসুং শিবা য়াবা খুৎশু খুৎলায় পায়দুনা এটেক তৌরকখিবনি। মঙোন্দা ফু-চৈবা তৌবদা নত্তনা মহাক্কী মোটোর সাইকলসু হুরানবীখিবনি হায়রি।

অদুগা মণিপুরগী থৌদোক অসিনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী লাই ভিলেজদা পাঙথোকপা ফ্লৱর ফেষ্টিবেল অমগী পাউ লৌবা লাকখিবা পাউমী অমা এয়র গননা অনীরক কাপশিন্দুনা অশোক-অপন ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## বোর্দরদগী ফাবা মিলিটেন্ট অনী পুলিসতা শিন্নরক্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১৮দা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ঙমখৈ পরিং অমদগী ম্যান্মার রোমদগী লাক্লগা লৈবাক অসিদা লানশিন্নবা হোৎনরম্বদগী অসাম রাইফলসনা ফাখিবা মিলিটেন্ট অনী অদু চকপিকারোং পুলিস ষ্টেশনদা খৃৎশিন্নরকখিবগা লোয়ননা পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয় অনীগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎলগা ৱাহং-পাউহং চত্থবা হৌরে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মিলিটেন্ট অনী অদু ম্যান্মারদা বেজ তৌবা য়ুনাইটেদ ত্রাইবেল ভোলন্টিয়রস গ্রুপ কৌবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমগী কাদরশিংনি হায়রি।

## গোদাউন মৈ চাক্লকপদগী কনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৫৩ রোম তারকপদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেশনগী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা নাগামপাল লমাবম লৈরক্তা লৈবা গোদাউন অমা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী ফায়রমেনশিংনা মতম চানা চঙশিন্দুনা মৈ মুৎথৎলগা কলহৌরে হায়রি।

থৌদোক অসি মতৌ করম্না থোরকপনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি। অদুবু ৱাশরুমনচিংবা শাবগী পোৎলমশিং থম্বা গোদাউন অসি ইলেক্ট্রিক শোর্ট সর্কিটতগী হৌরকপা মৈনা চাক্লকপা ওইগনি থাজনরি। গোদাউন অসি মথোল মরি লৈবা বিল্ডিং অমগী ফর্ষ্ট ফ্লোরদা লৈবনি হায়রি।

বিল্ডিং অসিগী মপুগী মমিংনা লোংজম প্রেমজিৎ কৌই অদুগা পোৎ চৈশিং অসিনা সন্তোস কুমার শাহু কৌবা মীশক অমগীনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## গভর্ণরগী পাউজেল

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস):** মণিপুরদা মীগা লাইগা শম্ন রিঙৈদগী হৌনা পাঙথোরক্লে থাজনরিবা হয়েং হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবগী মাঙওইননা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা মণিপুরগী মীয়াম অখন্ননা নুপীশিংদা য়াইফ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## দেঙ্গীগী কেস ৭৭

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাংৱাইরম লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা দেঙ্গীগী পোজিটিভ কেস ৭৭ থেংনরে হায়রি। কেসশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট-৫৬, ইম্ফাল ইষ্ট-১০, ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# আই দি পিশিংনা য়ূমদা হঞ্জিল্লবা মতমদা ঈরাং লৈতবা মণিপুর ওইগনি : সূর্য্যকুমার



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** হৌজিক ফাওবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈদুনা অৱাবা খাঙলক্লিবা আই দি পিশিংনা মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিন্নরক্কদবা মাল্লি হায়রদুনা লৈঙাক্লা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়রবসু রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংনা ময়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবদি মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লে অমসুং ঈরাং নেল্লে হায়রিবসি য়ানীংদে হায়না এম এল এ, ও সূর্য্যকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি লান অসিনা মরম ওইরদুনা ময়ূম-মকৈ মৈ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী পম্প থুগাইরল্লে

# চেন্নবনি হায়বশিংগী য়ূম মীয়াম্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** য়াইরিপোক পি এসনা কোল্লিবা য়াইরিপোক পেচি খুলদা লৈঙাক্কী পি ঐচ ঈ দিনা পায়খৎপা ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী ঈশিং চিংখৎনবা ইলেক্ট্রিক মোটোর অমদি ফ্যুজনচিংবশিং ঙরাং অহিং ফক্কাইদুনা থুগাইরল্লে। অমরোমদা, খুলগী মীয়াম্না চেন্নবনি হায়বা মীওই অমগী য়াইরিপোক বামোন লৈকায়দা লৈবা য়ূম অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে।

থৌদোকসিদা চেন্নবনি হায়রিবা মীওই ২দুগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### ময়ায় লম্বী : নিঙোল চাক্কৌবা মমাঙদা পোটহোলশিং মেনগনি হায়রগা শুনবা মেনশিল্লমদ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০১৫দা নেশনল হায়ৱে নম্বর ১৩৭এ ওইনা ওনখৎখ্রবসু হৌজিক চহী ১০ শুজিল্লক্লবা ফাওবদা মণিপুরগী লম্বীশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফীভম ফত্তবা লম্বী অমা ওইরক্লিবা 'ময়ায় লম্বী' হায়রগসু খঙনরিবা ইম্ফাল-ময়াং ইম্ফাল লম্বী পরিংগী ওইরক্লিবা ফীভমশিংগী মতুংইন্না থা অসিগী ১৬কী অহিং নোংয়াইদগী ময়ায় লম্বী অপূনবা লূপনা লম্বী অসি শেমজিনবীনবা মতম কত্তনা থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিনবদগী লৈঙাক্কী ওফিশলশিংগা মীফম পাঙথোকপদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী মাঙওইননা পোটহোলশিং মেনশিনগনি অমদি ঙসি (য়ূমশকৈশা) ফাওবগী মনুংদা সেন্টরদগী লম্বী অসি শেমগৎপগী অয়াবা পীরক্লগনি হায়বগী থাজবা থল্লকপদগী খোঙজং হন্দোকখ্রবসু পোটহোলশিং শুনা মেনশিল্লমদ্রে।

ময়ায় লম্বীগী মতাংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# নিঙোলশিংদা ইশাগী পোত্থোকশিংনা খুদোল তম্বীয়ু : মহেশ্বর থৌনাওজম



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস) :** হয়েং হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎতা লমদমসিদা নুংশি চান্নবা, তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু হায়বগা লোয়ননা পিবাশিংনা নিঙোলশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীবদা ইশাগী ইরমদমগী পোত্থোকশিংনা খুদোল তম্বগী চৎনবী থল্লসি হায়না আর পি আই-এ মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট মহেশ্বর থৌনাওজমনা ফোঙদোরক্লি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা ৱাফম অসি মহাক্না মণিপুরগী মীয়ামদা ফোঙদোক্লদুনা হায়, চহী অমগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎতা মণিপুর খত্তা নত্তনা মালেমগী মফমশিংদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা মফম খুদিংদা পাঙথোক্লরিবা কুম্মৈ অসিনা নিঙোল অমসুং পিবাশিংগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশি মরী হেন্না চেৎশিনহনবগা লোয়ননা লৈবাক পূম্বদা নুংশি চান্নবা অমসুং তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু হায়রি।

# রিলিফ কেম্পতা কুইনা লৈহল্লকপা আই দি পিশিংগী মরক্তা ৱাখলগী লায়না মায়োক্লবা মীওইশিং মশীং য়াম্না য়াওরক্লব্রা চিংনরে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**মোরে খুনৌ লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৯দগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)**

মে ৩, ২০২৩দগী কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা মখোয়গী খুৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংগা খুৎশম্নদুনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা চত্থরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী ৱারোইশিন হৌজিক চহী অনী মখায় ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা পুরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওইশিংবু মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙমদবা অমসুং চীং-তম অনীগী মরক্তা মহৌশাগুম্না চঙন-থোক্লা তৌবা য়াদ্রিবা ফীভম অসিদগী লান অসি হৌরকপদগী পাউচে অসিনা লাঞ্জেন্নরকখিবা মীওইশিংগা মথং-মথং উন্নদুনা মখোয়না থেংনরকপা খুদোংচাদবা থৌদোকশিংগী পাউদমশিং খোমজিন্দুনা মীয়ামদা 'হকথেংনবা পাউদম' গী মখাদা তমদুনা লাকপগী মখা তারকপদা মোরে খুনৌ লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৯দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা লাঙ্গোলগী নেশনল গেম ভিলেজদা শাবা অলটর্নেটিভ হাউজিং কমপ্লেক্সতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ৬৭ শুরবা নাওরেম নাওবীগা উন্নদুনা ৱারী শানবা হোৎনরুবদা মহাক নীংথিজনা ৱারী-ৱাতাই শাবা ঙম্লমদবদগী মহাক্কী মচানুপানা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, ঐহাক্কী পাবুং অসি লান অসিনা মরম ওইরগা মীমান্নদ্রবা মীওই অমগুম্না মশা অদুক্কী মতিক শোন্দুনা লৈরে। হান্নদি লান অসিগী মমাঙদা মহাক মশা মউ কল্লম্মী। মেছিন শীজিন্নদুনা ফি ফাওবা তুবা ঙম্লম্মী। ঐগী পাবুংগী হকচাংদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী তেকচাক কনানা পুবীগদৌরিবনো হংলকখি।

লান অসি লোইশিন্দুনা য়ূম-য়ূমদা হঞ্জিল্লবা ফাওবদা ঐগী পাবুংগী অনাবা অসিদি অদুমক লোয়নরগা লৈরগনি খল্লুবদা অদুক্কী মতিক পেন্দবা ফাওরে। লাঞ্জেন্নরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মতমদদি অনা অয়েক ফনা য়াওরবসু মতেং কয়া পাংবীরম্মী। হীদাক লাংথক্তগী হৌরগা লৈঙাক্লসু অঙম্বা মতেং পাংবীরম্মী। অদুবু হৌজিক রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরকপা চহী অনী হেঞ্জিল্লক্লবা মতমসিদদি চাদ-থক্তবা য়াদবা অনাবগী হীদাক ফাওবা ইশানা শুজ-নোমজদুনা শেল তাল্লগা লৈদুনা ঐগী পাবুংদা পীজবগী ফীভমদা লৈরে। পূম্নমক অসি থোক্লবসু হৌজিক্তি ঐখোয় অহেনবা করিসু পামজদ্রে। ৱারবসু ৱানা অমসুং অনাবা লোয়নরবসু ইশাগী হান্নগী য়ূমদুদা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা হঞ্জিলহনবীদুনা ঈংনা চিক্লা মহৌশাগুম নীংতম্না লৈবা পূন্সি মহিংদু পাল্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

### অসাম রাইফলসনা অরুনাচল প্রদেশতা উলফা-আইগী কাদর ১ হাংখ্রে



অসাম রাইফলসকী খুৎতা লৈখিদ্রবা উলফা-আইগী কাদর

**ইটানগর, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সী) :** ঙরাং নুমিদাং অরুনাচল প্রদেশকী নমসাই দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা অসাম রাইফলসকী খুৎতা য়ুনাইটেদ লিবরেশন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা-ইন্দিপেন্দেন্ট) গী কাদর অমা শিরে। মঙোন্দগী ঐচ কে রাইফল ১, হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমসুং বেগ অমা রিকোভর তৌরে হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং অরুনাচল প্রদেশকী নমসাই দিষ্ট্রিক্টকী সিক্স মাইল হায়না ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫